AMBULANCE
COVID-19 RELIEF COMMITTEE
32 - WANGKHEM A/C

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইনবা হৌখিবা এসেম্ব্লি মীখলদা ৱাংখেম এ সীদগী মীরেপ ওইখিবা কাঙবম জাদুমনিনা কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি ৩২ - ৱাংখেম এ সীদা এম্বুলেন্স অমা খূৎশিন্নখিবা

BHARATIYA JANATA PARTY
WANGKHEI MANDAL, IMPHAL EAST

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মন্দলগী থৌমীশিংনা মীদিয়া ব্রিফিং পীরদুনা ৱাংখৈ এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মমাঙগী এম এল এগী মতমদা মীয়ামদা ফংহনফম থোকপা চেঙশিং ফংহল্লমদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা

কুমারি হায় স্কুলদা চথখিবা কোভিদ মাস টেষ্টিংগী থবকশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা এক্স এম এল এ আর কে অনন্দনা হিয়াংথাংদা লৈবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সতা সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক খূৎশিন্নখিবা

KEEP A DISTANCE OF 6 FEET
HAIRPERSON
I.C WARD NO.8

লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এক্স চ্যেরপর্সন এল লালমনি অমদি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কম্মিটি ৱার্দ নম্বর ৮না ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা য়ূমথোঙশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখিবা

‘মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইট ফংহনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা ৱারবা মতম অসিদা চাকখাওগী রাজনিতি তৌবীগনু, মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙগী চাকথুং ফংহন্দ্রিবা অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংহনবীয়ু হায়না উরূপ খুনৌ য়ুথ ক্লব (য়ু কে ৱাই সী) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি তারিখ অজিজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী ওইনা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি মণিপুরদসু চৈথেং ফংদুনা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। অসিগুম্লবা তমথীরবা লায়না লাইচৎ অসিদগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা কর্ফিয়ু থম্লি। মীয়াম অসি য়ূমদগী থোকপা য়াদবা, থবক শূফম লৈতবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। নোংমগী শূরগা চারিবা শিন্মীশিংদদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ কর্ফিয়ুগী অৱাবা মরক্তা চাবা ফংদবগী চাকখাওগী লান অমুক মায়োক্লরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা হায়রিবা মীয়ামগী অৱাবা অসি উবীদুনা মীয়ামদা চেঙ কেজি ৫/৫ ফংহন্নবা লৈঙাক্লা থৌরাং পায়খৎলি অদুবু লাইবক থীবদি কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং নম্বর ৬/২০ উরূপ খুনৌগী এজেন্টনা য়ূম অমদা চেঙ কেজি ৪ খক য়েল্লন্বদগী ক্লবকী থৌমীশিংনা মখা তাবা য়ানবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা চেঙ য়েনবা থিংজিনখ্রে। মতাং অসিদা ক্লবকী মায়কৈদগী হায়জনীংলিবা ৱাফমদি এ সী অসিগী এম এল এ অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : মোইরাংনিংথৌ লৈরক য়ুথ ওর্গনাইজেসন অমসুং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কৈশামথোংগী এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বর ওইবীরম্বা শগোলশেম হেমন্ত এলিয়জ দদানা লৈখিদবদা মোইরাংনিংথৌ লৈরক য়ুথ ওর্গনাইজেসন (এম এল ৱাই ও) কৈশামথোং অমদি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কৈশামথোংগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না এম এল ৱাই ও এন্দ কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কৈশামথোংগী কনভিনর বিরেন্দ্র চীংঙাখমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মহাক্লা লৈখিদবা অসি অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোথারুবা ওইরসনু। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : বি জে পিগী নেসনল প্রোগ্রাম সেবা হি সঙ্ঘথন টুগী মখাদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেদিকেল সেলগী কনভিনর ডা. কে এস ঐচ কলানা খুন্দ্রাকপম এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা য়ূমথোঙশিংদা হৱাই, আলু, অচাথাও, থুম, চিনি অমদি চামনানচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু কৈবি হৈকক মপালগী য়ূমথোঙ ৩৮গী ওইনা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংদা খূৎশিন্নখি। ৱাইতোন ময়ায় লৈকায়গী য়ূমথোঙ ৮গী ওইনসু কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংদা খূৎশিন্নখি। অদুগা ৱাইতোন মখা লৈকায়গী য়ূম ১৪গী ওইনসু মফমদুগী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সতা খূৎশিন্নখি হায়রি।

ডা. কলানা ফোঙদোকখিবদা মীপূম খুদিংমক্লা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু অমদি ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা মীওইশিংনা দাইবেটিস, হায়পরটেন্সিন অমদি কিদনিগী অনাবা লৈরবদি মতম চানা হীদাক চাবীয়ু অমদি হীদাক চাবা লেপ্পীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

‘মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোক্লমদবগী মতাংদা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি শেম্লগা মীয়ামগা পূন্না থিগৎনবা হোৎনরগনি’

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): এক্স মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরিঙৈদগী হৌরগা মিনিষ্টর ওইরম্বা মতম অদু ফাওবদা ৱাংখৈ এ সীদা থা কয়া চেঙ য়েন্দবা অমদি বেনিফিসরিশিংদা চেঙগী চাকথুং শুনা পীরমদবা, নফসাগী বেনিফিসরিশিংগী কার্দ কয়া অপদেট তৌরমদবা অমদি লিঙ্ক তৌরমদবা কয়া লৈরম্লে। হীরমসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোক্লমদবগী মতাংদা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি শেম্লগা মীয়ামগা পূন্না থিগৎনবা হোৎনরগনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) ৱাংখৈ মন্দলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি ৱাংখৈ মন্দলনা মীদিয়া ব্রিফিং পীবগী থাদোরকপা ভিদিও অমদা বি জে পি ৱাংখৈ মন্দলগী প্রসিদেন্ট এম দি ফিরোজনা হায়খি, এক্স মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা ৱাংখৈ এ সীগী এম এল এ ওইরকপদগী এ সী অসিগী নফসাগী চেঙশিং চাং নাইনা পীরমদ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০২০দা কোভিদ-১৯গী য়েংলগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পি এম জি কে ৱাইগী ওইনা এপ্রিল থাদগী নবেম্বর থা ফাওবদা থা ৮গী মশাগী চহী ৬ হেল্লবা অঙাংদগী হৌরগা মীওই খুদিংদা চেঙ কেজি ৫/৫ থা খুদিংগী পীননবা ৱাংখৈ এ সীগী ওইনা পীরকখিবা চেঙশিংগী চাকথুং অদু থা ৩/৪ খক পীরগা থা ৪ রোম্না মীয়ামদা য়ৌহল্লমদবা থেংনরে। নফসাগী ওইনা পীরক্লিবা চেঙগী চাকথুংগী মথক্তা পি এম জি কে ৱাইগী পীরকপা চেঙশিং অদুগা য়েৎশিন্নরগা য়াম্লবা চেঙশিংগী চাকথুং অদু মফম খঙহল্লমদবনি হায়নসু চার্জ তৌরক্লি।

মহাক্লা হায়খি, কুমজা ২০২১গী ওইনা ওক্রম হেনরিনা মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা জন্যুৱারী থাদগী মার্চ থা ফাওবগী ওইনা ৱাংখৈ এ সীগী থা ৩গী নফসাগী চেঙগী চাকথুং এফ সী এস গুদাউন্দগী চিংথোকখ্রগা থা অমখক্তংগী চেঙ মীয়ামদা ফংহল্লগা থা অনীগীনা হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা থম্লি। মসিগীসু মথক্তা মহাক্কী মতমদা লৈরম্বা এ সী অসিগী এজেন্টশিংনা নফসাগী কার্দ রিন্যু তৌগদৌরিবনি হায়না খোমগৎলগা রিন্যু তৌরমদবা অমদি অধার লিঙ্ক তৌরমদবা কয়াসু থেংনরে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা এ সী অসিগী মীয়াম্না নফসাগী ওইনা ফংগদবা থাগী চাকথুং অমসুং পি এমজি কে ৱাইগী মখাদা মে অমসুং জুন থাগী পীরক্লিবা চেঙগী চাকথুং ওইনা বেনিফিসরি অমমমনা চেঙ কেজি ৫/৫ ফংজগদবা অদু শুনা ফংবা ঙমদনা লৈরে।

মীয়ামগী চাকথুংশিং নিংথিনা ফংহল্লমদবা অসিগী মতাংদা থিজিনবীনবা মন্দলগী মায়কৈদগী অপীল তৌরগনি। পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী মীহুৎশিং য়াওনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা ৱাংখৈ এ সীদা হৌখিবা মতমদা চেঙ করম্বা মওংদা য়েনখিবগে হায়বগী মতাংদা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি অমা শেম্লগা থিগৎলবসু থিগৎমিন্নগনি।

ৱাংখৈ এ সীগী বি জে পিগী এক্টিভ মেম্বর য়ুমখাম রোবোসোনা হায়খি, ৱাংখৈ এ সীদা মমাঙদা লৈরম্বা এম এল এগী মতমদা মীয়াম্না ফংজগদবা নফসাগী চেঙগী চাকথুং নিংথিনা ফংহন্দনা অমদি কার্দ ফাওবা ফাজিল্লগা থমদুনা কার্দতা থা খুদিংগী পীরিবা চেঙগী চাকথুং অদু পীখ্রে হায়বগী অমসুং রিসিভ তৌবগী খূৎয়েক পীগদবা পূম্নমক হাংহন্দুনা থম্লম্বা অসি লাইবক থীবনি। মসিগীসু মথক্তা পি এম জি কে ৱাইগী ওইনা মমাঙ চহীদা মীয়ামগী পীরকখিবা চেঙশিং অদু মফম মরাং খঙহনখিদবা অসিসু লাইবক থীবনি। নৌনা এম এল এ ওইরক্লবা ৱাই ইরাবোতকী মতমদা এপ্রিল থাদগী হৌরগা নফসাগী চেঙ এলোকেসন থোক্ত্রি, চেঙ অমত্তা চিংথোক্ত্রি, পি এম জি কে ৱাইগী ওইনা মে থাগী চেঙগী চাকথুং চিংথোক্লগা মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রে। মে থাগী পি এম জি কে ৱাইগী চেঙগী চাকথুং অসি মমাঙদা অধার লিঙ্ক নিংথিনা তৌহৌদবনা হন্থনা পীরকপা অমদি কোভিদনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অসিগী য়েংলগা হেন্না ফগদ্রা হায়দুনা ভোটরদা ওইনা পাথোক্লগা ভোটর অমমমদা কেজি ৪/৪ রোম থুংনবদগী য়েন্থোকখ্রে। অথুবা মতমদা পি এম জি কে ৱাইগী জুন থাগী চেঙসু য়েন্থোক্লগনি। থা অসিগী ওইনদি নফসাগী বেনিফিসরিশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা য়েন্থোক্কনি। লোয়ননা থা খুদিংগী লাক্লিবা চেঙগী চাকথুংশিং অমদি বেনিফিসরি মশীং ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা মীয়ামদা থা খুদিংগী চেঙ চাং নাইনা য়েন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘হোম গার্দকী হাঙদুনা লৈরিবা বট্টালিয়ন কম্মান্দর ৩গী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : হোম গার্দশিংগী হৌজিক হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা বট্টালিয়ন কম্মান্দর অহুমগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হোম গার্দ ওর্গনাইজেসন অসি মণিপুর হোম গার্দ এক্ট এন্দ রুলসকী মতুংইন্না অমদি মতমগা চানবা মওংদা প্রমোসন পীদবা, মতম মতমগী ওইনা কম্মান্দেন্ট হোম গার্দকী ওফিস অমদি কম্মান্দেন্ট জেনরেল হোম গার্দকী ওফিসনা তৌনীংবতা তৌদুনা মফম মরাং খঙদনা চৎন-কাঙলোন লৈতনা থবক চথবসি তোকপীনবা হায়জবগী মথক্তা কোর্টকী মতেং লৌদুনা ষ্ট্রিমলাইন তৌবীনবা হায়জখিবগী মতুংইন্না কম্মান্দেন্ট জেনরেল হোম গার্দ কম দি জি পি মণিপুরনা চহী অসিগী জন্যুৱারী ৩০দা ওর্দর থোকপীদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টতা থাদুনা হৌজিক হৌজিক পেন্দিংদা লৈরি।

চৈরক অসিদা মতমগী খোঙচৎ মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অমদা দ্যুটি তৌরিবা হোম গার্দশিংবু য়েংশিন্নবা হাপ্লিবা বট্টালিয়ন কম্মান্দরশিংগী মনুংদা অহানবা বট্টালিয়ন লম্ফেল হেদ ক্বার্টর, মরিশুবা বট্টালিয়ন থৌবাল অমসুং অনীশুবা বট্টালিয়ন ইম্ফাল ৱেষ্ট অসি হাঙদুনা লৈরে। থৌবাল অমদি লম্ফেলগীদি থা মশীং য়াম্না য়াল্লে। অদুগা অনীশুবা বট্টালিয়ন ইম্ফাল ৱেষ্টকীদি থা অমা ফাদ্রি। মতিক চাবা চাদবা, মরম চাবা চাদবা থিদনা মীওই খরনা হাঙলিবা ফম অসিগীদমক অঙম অথৌশিংগী মতেং ফাওবা লৌনদুনা চেন চোংবা উজরে। মতাং অসিদা মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। বট্টালিয়ন কম্মান্দরশিং অসি ষ্ট্রিমলাইন্না মরম ওইদুনা তশেংনা হাপ্পা য়াদ্রবসু মতম খরগী ওইনা লুক অফ্টর নৎত্রগা ইন চার্জ ওইনা থম্বীফম থোকপনিনা শোয়দনা থম্বীগনি হায়না নীংজৈ। মরমদি বট্টালিয়ন কম্মান্দর হায়বসি পিক্লা উবীরবসু মখোয়গী থৌদাংদি য়াম্না চাউই। বট্টালিয়ন অমদা হোম গার্দ পর্সনেল ৪০০গী মথক্তা থবক তৌই। মখোয়গী থা অমগী দ্যুটি এলারেন্সকী বিল শাবা, হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী দ্যুটি এরেঞ্জ তৌবা লো এন্দ ওর্দরগী মতুংইন্না শীন্দোক শিঞ্জিন তৌবদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এস পিগী মখাদা চপ চাবা মথৌ তৌগদৌরিবনি। অসিগুম্বা কি পোষ্ট অমা হাপ্পা মতমদা লুকঅফটর/ইন চার্জ ওইরবসু ফংবা য়ারবনি হায়না লৈরিবা খরদু নুপা ওইরবসু নুপী ওইরবসু এদ্যুকেসনেল ক্বালিফিকেসন মেত্রিক্তগী তাদবতা নত্তনা মহাক্লা তৌরিবা থবক্কী সিন্সরিটি, ইন্টিগ্রিটিসু য়েংবীফম থোকই। হোম গার্দ পর্সনেলশিংদি দেট ওফ বর্থকী সর্টিফিকেট অদু চহী নৌনবগীদমক অনী অহুল্লক মতম মতমগী খুদোংচাবা য়েংদুনা শেমদোক্লবসু য়াওই। করিগুম্বা মশাগী মমিংদা নত্তবা মীগী মহুৎতা থবক তৌরম্বা য়াওরম্বসু য়াই। হোম গার্দ পর্সনেল ওইনা লৈরিবা মীসু অতোপ্পা দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরি হায়বা পাউসু লৈ। অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা কয়া লৈরম্বসু য়ারি। মমাঙথক্তা চুমদবা খরা থোকখ্রবসু মতুং তাবদা অসিগুম্বা খুদোংথিবশিং অসি থোক্তনবা হৌজিক হাঙলিবা বট্টালিয়ন কম্মান্দর অহুমগী লুকঅফটর/ইন-চার্জ ওইনা হাপ্পীবা তারবসু নিংথিজনা স্ক্রুটিনি তৌবীরগা হাপ্পীনবা ওথোরিটিদা হায়জরি। মদু নৎত্রবদি মখা তনা হেন্না ৱাথোকলাক্কনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ অহুমশুবা ৱেভকী অখন্নবা থৌরাং লৈঙাক্লা শেম শাহন্নীংই : এম পি পি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ অহুমশুবা ৱেভকী অখন্নবা থৌরাং লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা শেম শাহন্নীংই হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) না ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মশীং ৮২৮ অমসুং নাখিবনা ৫১৭১২ য়ৌখিবসি অনা লায়েংগী খুদোংচাবা নীংথিনা পীবা ঙমখিদবা, ওক্সিজেনশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লখিবা, মপান্দা লৈরুবা ইরৈচা কয়া কোভিদ টেষ্ট তৌদনা ময়ূম ময়ূমদা থাজিল্লুবা, কোভিদ পোজিটিভ ওইরবশিং ময়ূম ময়ূমদা হোম আইসোলেসন তৌহল্লুবা অমদি মীয়াম্নসু কোভিদকী সিম্পটোম লৈরবসু খাংজিন্দুনা লৈখিবা অসি লৈঙাক্লা মতম চানা থৌদাং লৌবা ৱাৎহৌবনা শিবগী চাং ৱাংখিবনি অমসুং কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংলকপনি হায়না এম পি পিনা লৌই। কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসি লৈঙাক্লা লাম্হেংনরিঙৈ মরক অসিদা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ শন্দোরক্লবদি অঙাংশিংদা হেন্না খুদোংথিবা থোরকপা য়াই হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরকপগী মতুংইন্না ইরমদম মণিপুরদসু লৈঙাক্লা করম্বা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপীরিবগে। পায়খৎলিবা থৌরাংশিং মীয়ামদা খঙহনবীয়ু।

কোভিদ নারবশিংনা ওক্সিজেন নিংথিনা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি য়েংলগা অমসুং য়ূমলোন্নবা ষ্টেটশিংদগী মীপান তাংদনবা চীফ মিনিষ্টরনা জেনিমসতা ক্রাইওজেনিক ওক্সিজেন প্লান্ট থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদসু ওক্সিজেন প্লান্ট হাংদোকখ্রবা মতুংদা উখুল দিষ্ট্রিক্টতসু অনৌবা ওক্সিজেন প্লান্ট অমা হাংদোক্লবা থৌরাংশিং পায়খৎলকপবু এম পি পিনা থাগৎলি। মণিপুরদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, হেল্থ সেন্টরশিং, রিমস, জেনিমস অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা শীজিন্নরিবা মথৌ তাবা ওক্সিজেনশিং মপান্দগী লৈদনা অনৌবা ওক্সিজেন প্লান্টশিং মরাং কায়না লিংখৎপীনবা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ লাইচৎতগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না পাক শন্না কোভিদ টেষ্ট তৌথোকপা অমদি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী পায়খৎলিবা থৌরাংশিং তরাম্না ওকই। লৈঙাক্লা ভেক্সিন কাপথোক্লবা লাউথোকখ্রগা চৎলুবদা ডাক্তর লৈরমদবা, কোভিদ ভেক্সিন লৈরমদবা অমদি খরা কাপ্পা হৌরগা হীদাক লোইথোকখ্রে হায়বনচিংবা কয়া থোকপনা মীয়ামদা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরি। মসি থোক্তনবা লৈঙাক্লা অনৌবা থৌরাং অমা পায়খৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লন্নাই লায়েংশঙগী লায়েংমলগী মতাংদা ৱাকৎফম থম্বীয়ু : এমসু

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : অহল ওইরবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী তোঙানবা লায়েংফম অমদি লন্নাই লায়েংশঙগী লায়েংমলগী মতাংদা ৱাকৎফম থম্বীয়ু হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখৈময়ুম রিমাকননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী অকনবা শাফুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না হীরম কয়াদা অৱা চৈথেং নংলিবা অসিদা শাফনবা লৈঙাক্লা থৌশিল থৌরাং কয়া মরু ওইনা মীয়ামগী মমল য়াম্লবা পুন্সি লাইচৎ অসিদগী কলহৌনবা হেল্থতা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি। তমথীরবা লাইচৎ অসিদগী মায় পাক্লা লায়েংদুনা থুনা লাকশিন্নবগী পাম্বৈ অমা ওইরিবা মাস টেষ্টিং তৌরগা ভাইরস অসিনা চঙলবা মীওইশিং ট্রিটমেন্ট পীহৌবনা লাইচৎ অসি থেংনবগী তঙাইফদবা অদু ওইরকপা মরম্না লৈঙাক্লা হীরম অসিদা অকনবা মেন পৱার থাদদুনা পাক শন্না টেষ্টিং তৌনবা হোৎনরি।

লায়না অসি পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং মরু ওইনা অহল ওইরবা মীওইশিং অমদি মশাগী অতৈ লায়না লৈবা মীওইশিংদনা হেন্না শোকহনবনা শিবগী চাংসু ৱাংবা, চহী য়াম্লবশিং মশাগী লায়না লৈরবা মীওইশিং খক্কী ওইবা তোঙানবা লায়েংফম অমা লৈঙাক্লা থম্বীদুনা শিবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু মমল য়াম্লবা পুন্সি কলহৌনবগী থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা মথৌ তারক্লি। হীরম অসিদা এমসুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা শূ-নোম্বা য়াদনা লৈরকপনা মীওইবনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরু ওইনা চানবা চেঙ মীয়ামগী অৱাবা অসিগী তেংবাঙবা ওইনা লৈঙাক্লা এ সী খুদিংগী চেঙ য়েন্থোকপগী থবক কন্না চথরি। চেঙ য়েনবগী তোঙান তোঙানবা লৈকায়দা থোক্লিবা অসি অথুবদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীদুনা লোইশিনবীনবা অমদি মীয়ামদা লৈরিবা চমম্লবা অসি কোক্কনবা থবক লৌখৎপীনবসু অপীল তৌজরি।

নাকল অমরোমদা, লন্নাই কোভিদ লায়েংশঙ (হোস্পিটালশিং) গী মতাংদা লৈঙাক্লা লেপ্পা মমল নোটিশ অমা থোক্তুনা চৎনহল্লকপা অসি মহৈরোয় লূপ অসিনা তরাম্না ওকচৈ। অদুবু লৈঙাক্লা লেপ্পিবা মমল অসিদগী হেন্না লৌরম্বগী ৱাথোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। মখা তানসু থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অসিনা হীরম অসিদা মীয়াম্না খুদোংচাদবা অমা থোক্লকপদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎপগী খুদোংচাবা অমা থম্বীনবসু মহৈরোয় লূপ অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

মঙাশুবা টোক পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী শরুক অমা ওইনা ফিট ইন্দিয়া কেম্প্যেন কম্মিটি এন্দ ফিট ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ভর্চ্যুএল সেরিজ ওইনা চথরকপা নেসনল টোককী মঙাশুবা টোক ঙসি পাঙথোকখ্রে। মঙাশুবা টোক অসিদা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াট্রিগী প্রোফেসর অমসুং হেদ ডা. আর কে লেনিননা ষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট দ্যুরিং পেন্দমিক হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখ্রে হায়না ফিট ইন্দিয়া কেম্প্যেন কম্মিটি এন্দ ফিট ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কনভিনর ডা. এল সন্তোসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মঙাশুবা টোক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রগী দিন ডা. লাইময়ুম বিশ্বানাথ শর্ম্মানা মোদরেটর অমসুং এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটিষ্টিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. সলাম শান্তিকুমারনা কো মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

উচেক লাং অনী ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): লমলক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী পান্দমদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং অমদি সোসল ৱেলফেয়র ক্লব লমদিং তেরাপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌমীশিংনা ঙসি অয়ূক পুং ৬ রোম তাবা মতমদা শঙ্গাইয়ূম্ফম অমদি লমদিংগী লৌবুক্তা লাং থাক্তুনা উচেক ফানবা হোৎনরম্বা মীওইশিং ক্লব অনীগী থৌমীশিং উবদা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। অদুবু মখোয়না শীজিন্নরম্বা লাং অনী ফাগৎলবা তুংদা লেৱাগী শঙলেন মমাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লেৱাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর কে ঐচ মনিকুমারনা তেন্থাগী লম্বী মপালদা উচেক অমা মশাদা শোকপদগী পাইবা ঙমদনা লৈরম্বদগী লেৱাগী প্রসিদেন্টদা খূৎশিন্নরকখি। তুংদা পিপল ফোর এনিমেলগী থৌমীশিংদা পাউ পীরবা মতুংদা উচেক অদুগী অশোকপা অদু মশা কনখৎহল্লবা মতুংদা থাদোকপীখো হায়না তাকপীরকপদগী উচেক অসি লেৱাগী থৌমীশিংনা কন্না শেন্নজরি। মীয়াম্না লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু য়েক্লবগুম খনগুমসি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চান-থক্লবা তেংবাঙ পীখ্রে

থৌবাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এক্স চ্যেরপর্সন এল লালমনি অমদি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কম্মিটি ৱার্দ নম্বর ৮ অনীনা খূৎশম্নদুনা ঙসি ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা য়ূমথোঙ ৭০০ হেনবদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে।

লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৮গী মনুংদা লৈবা য়ূমথোঙশিংদা কোয়না চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈনবা ৱারোলদা এক্স চ্যেরপর্সন এল লালমনিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা শাফু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা লাউথোক্লিবা কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু খরতা ওইরবসু কোকহন্নবা পান্দমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকচবনি। মখা তানসু য়েন্থোকখিগনি। মসিদা পুকচেল চাউরবশিংনসু শৌগৎপীয়ু অমদি তেংবাঙ পীবিয়ু। ঐখোয় লৈঙাকখক্তা ঙাইদবীদা অমনা অমগা তেংবাঙ পীনদুনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নরসি অমদি থৌদাং লৌমিন্নসি। লোয়ননা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎমিন্নসি, য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবীয়ু হায়নসু মীয়ামদা অপীল তৌখি।

‘চেঙ কেজি ৩/৩ খক্তমক য়েল্লকপদগী ইমুং কয়ানা চেঙ লৌখিরোই হায়না ৱাকৎলক্লে’

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অৱাবা অসি য়েংলগা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরিবা চেঙ কেজি ৫/৫ পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা নফসাগী কার্দ পায়রিবা ইমুংশিংগী মীওই অমমমদা মে অমসুং জুন থাগী চেঙ লেম্না ফংহনগনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লাউথোকপীখি। অদুবু লাইবক থীবদি ককচীং এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৭/১, ৩৭/২ অমসুং ৩৭/৩ ইরেংবন্দ লৈকায়দা শুপ্নগী চেঙ কেজি ৩/৩ খক্তমক য়েল্লকপদগী ইমুং কয়াগী ইমুংশিং চেঙ লৌখিরোই হায়না এসোসিএসন্দা ৱাকৎলক্লে হায়না ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ) গী সেক্রেটরি এম মঙলেমজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, করি মরমগীদমক চেঙ কেজি ৫/৫ পীগদবদা কেজি ৩/৩ পীরিবনো হায়না লৈকায় অসিগী এজেন্টশিংদা এসোসিএসন্না হংলুবা মতমদা এজেন্ট খরনা অধার লিঙ্ক লোইদবদগী মথক থোংবশিংনা ৩/৩ য়েল্লু হায়না খুম্বীরক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা খুঙ্গং অসিদা অমগা অমগা মুক্লবা, খৎন-চৈনবা থোরকপা য়াই। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চানা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা অমদি কৃপ্না থিজিনবীদুনা লায়রবা মীয়ামদা ফংহনবীয়ু। লোয়ননা চেঙ কেজি ৫/৫ য়েনগদবা ওইরবদি মীয়ামগী চাকথুং মৎলিবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবিনবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

‘সফাই কর্ম্মচারিশিংবু ফ্রন্টলাইন ৱার্করনি হায়না লাউথোকপীনবা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি’

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): মীওইবগী হকচাংবু তেক্তা কায়দনা তিঙ্গং কায়জংদনা থম্বদা লূবা নানবা হায়বসি অদুমক মথৌ তাবনা কোভিদকী অচৌবা লাম্হেং অসিদা সেনিটেসনগী মথৌ তৌজরিবা/তৌজরিবী সফাই কর্ম্মচারিশিংবু ফ্রন্টলাইন ৱার্করনি হায়না লাউথোকপীনবা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না সফাই কর্ম্মচারি সঙ্ঘ মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি এন সুনিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবগী তাঞ্জা ওইবনা সফাই কর্ম্মচারি সঙ্ঘ মণিপুরগী শিন্মীশিংনা ম্যুনিসিপালিটিগী অদু-অদা ঙাইদনা ইশা-ইশানা অঙন্বা থাক্তা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্তুনা খুন্নাই অসিগীদমক লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনমিন্নরসি হায়না সফাই কর্ম্মচারিশিংদা অপীল তৌজরি।

মীওইবা ঐখোয়না তমথীরবা লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীনবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লৈঙাকপু মতেং পাংনবা অপীল তৌজরি। নোংজু পন্থা লাকপগা লোয়ননা সেনিটেসনগী তঙাইফদবা কয়া অদু ইশা ইশানা ইমা লৈবাক্কী য়াইফনবা থবক শূগনি হায়বা পান্দমদা থবক শূগদবনি। লৈঙাক ঙাইদনা ইশা ইশানা ঙমজবা চেকশিন থৌরাং পুথোক্লদুনা ইম্ফাল সিটি লূ-নান্না থমসি হায়দুনা সফাই কর্ম্মচারি সঙ্ঘ মণিপুরগী মায়কৈদগী নোল্লুকচরি।

য়ুনিয়ন অসিনসু লেবর মিনিষ্ট্রিগা পাও ফাওনদুনা তঙাইফদনা কর্ম্মচারিশিংদা পীবা য়াবা মতেং অমদি এৱ্যেরনেস ফংহন্নবা হোৎনজরি। অথুবা মতমদা ৱেভিনারগী খূথাংদা ট্রেনিং ফংহন্ননবা লোয়ননা যোগনচিংবা অহাঙবা মতমদা পীননবা থৌরাং থৌশিল কয়া য়াৎপা লোইরে। মরম অদুনা সফাই কর্ম্মচারিশিংনা লেপ্তুনা শিন্থা পাঙথোকপীনবা অমদি শিন্মীশিংনা লুরবা তানফম অসিদা খুন্নাইগী তৌগদবা থৌদাংশিং অদু পাঙথোক্লগসি। লমদম অসিগী ইরৈচা খুদিংমক্লসু সফাই কর্ম্মচারিশিংবু মথৌ তৌবা চৎপা মতমদা মতেং পাংবীয়ু। মখোয়নবু শিৎ শেংদ্রবদি ইম্ফাল সিটি অসি স্মার্ট সিটি ওইবগী মহুত্তা স্মার্ট ভিলেজ ফাওবা ওইবা ঙমলোইদৌরিবনি। শিন্মীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু। অতাবা খূৎশুমলদা থবক শূজরিবা সফাই কর্ম্মচারিশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীনবা আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

‘লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পূন্না শৌগৎমিন্নদুনা মীয়াম কন্নবা হোৎনসি’

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবগী লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা পোলিটিক্সকী অখুবা মীৎয়েং থাদোক্লরগা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পূন্না শৌগৎমিন্নদুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স এম এল এ আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্লা পাক শন্না কোভিদ টেষ্ট তৌননবা পায়খৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চনবা হিয়াংথাংদা লৈবা কুমারি হায় স্কুলদা ঙরাং চথখিবা মাস টেষ্টিং তৌবগী থবক হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা টেষ্ট তৌবগী থবক্তা মতেং পাংখিবা হিয়াংথাংদা লৈবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সনা শেল য়াওনা সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কনচিংবা তেংবাঙলদুনা এক্স এম এল এ আর কে আনন্দনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মতম চানা টেষ্ট তৌথোক্লগা নিংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। করিগুম্বা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্লবসু ডাক্তরশিংগা তানদুনা মতম চানা লায়েংহৌবনা পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। মতম চানা টেষ্ট তৌহৌদবা অমদি ভেক্সিনেসন তৌহৌদবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবসু য়াওরি। মরম অসিনা মীয়াম্না কোভিদকী চিংনবা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থমগুমসি।

মহাক্লা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ননবা পান্দমদা পাক শন্না কোভিদ টেষ্ট তৌবগী থবক চথরক্লিবা অসি অফবা খুদমনি। মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা লৈঙাক্লা লাম্হেংনরিবা অসিদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন খাক্তনা লৈঙাকপু ক্রিটিসাইজ তৌবা তোকসি। মদুগী মহুত্তা রুলিং অমদি ওপোজিসন খায়দনা লৈঙাক্লা কোভিদ থেংননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা শৌগৎমিন্নবগা লোয়ননা অফবা সজেসন পীবিদুনা মীয়ামগী পুন্সি কনসি। কোভিদতগী মীয়াম্বু ঙাকথোক্লবা ভেক্সিনেসনগী থবক অসি হেন্না য়াঙশিন্না চঙশিনবা মথৌ তারি। এম এল এ লৈত্রবা এ সী ওইবনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদসু ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা টাস্ক ফোর্সশিংগা পূল্লগা ভেক্সিনেসনগী থবক য়াঙশিন্না চথনবা ভেক্সিনেসনগী সেন্টর মশীং হেনগৎহনবীয়ু। এ সী অসিদা এম এল এ লৈরম্লবদি এম এল এ লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী কোভিদ-১৯ থেংনবদা চাওরবা শেনফম কায়থোক্লগা নিংথিনা থেংনবা ঙম্লমগদবনি। এম এল এ লৈতবা এ সী ওইবনা এম এল এদা পীরিবা পৱার অদু দি সীদা ফাইনান্সিএল পৱার পীবিদুনা এ সী অসিদা কোভিদ থেংনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

এক্স এম এল এ আর কে আনন্দনা মাস টেষ্টিংগী থবকশিং য়েংশিনখিবা অমদি তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নখিবা অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ইন্টরনেসনল এৱার্দি মুতুম দিসেশ্বরসু শরুক য়াখি।